# অধার নম্বর পীশিন্দ্রবদি বেঙ্ক একাউন্ট শীজিন্নবা য়াররোই

*ন্যু দিল্লি, জুন ১৬ঃ*

লৈঙাক অসিনা বেঙ্ক একাউন্ট হাংবদা অধার নম্বর তঙাইফদবা অমা ওইহনখ্রবা মতুং বেঙ্ক একাউন্ট লৈবশিংদা অধার নম্বর পীশিন্দ্রবদি চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ৩১দগী একাউন্ট অদুদা মখল অমত্তগী শেল থমজিনবা নত্রগা লৌথোকপা য়াহল্লরোই হায়না রেভিন্যু দিপার্টমেন্টনা খঙহনখ্রে।

লৈঙাক অসিনা ইং ২০১৭কী বজেটতা অধার নম্বরবু পার্মিনেন্ট একাউন্ট নম্বরগা লোয়ননা তঙাইফদবা অমা ওইহন্নবা থৌশিল পায়খৎলি। তোঙান-তোঙানবা পার্মিনেন্ট একাউন্ট নম্বর লৈবশিংদা টেক্স লৌখৎনবগী পান্দমদা থৌশিল অদু পায়খৎপনি।

প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং (মেন্টিনেন্স ওফ রেকোর্দ) রুল ইং ২০০৫গী মখাদা পান নম্বরগা লোয়ননা অধার নম্বর তঙাইফদবা অমা কম্পেনি অমসুং পার্টনর্সিপ ফার্মশিংদা চৎনহনখ্রে। কাংলোন অদু মখা তানা হেন্না চেৎশিনবা মওং দা চৎনহন্নবগী পান্দমদা বেঙ্কশিংদা লৈবা একাউন্টশিং কে ৱাই সি দোক্যুমেন্ট পীশিনবগী তঙাইফদবা লৈরে।

তোঙান-তোঙানবা বেঙ্কশিংগী ব্রাঞ্চশিংনা চহী খুদিংগী ফিভম অদু য়েংশিনগনি। ফোরেন লিমিটেদশিং একাউন্টশিং অদুদা চংহনবদা অথিংবা লৈগনি। অদুগুম্বা অপিকপা একাউন্টশিং অদুদা থমজিল্লকপা য়াবা শেলগী চাং লৈগনি।

থা ১২ অমসুং মদুগী মতুংদা একাউন্ট লৈবা মীওইশিংনা মখোয়গী চপ চাবা শক্তাক চে ওফিসিয়েলশিংদা পীশিনগদবনি। টেরোরিষ্ট নত্রগা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থবক তৌবশিংনা একাউন্টশিংদগী শেল হুরানখিবা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা শেল লৌথোক লৌশিন তৌগদৌরিবা মীওইশিং অদুদগী চপ চাবা শক্তাক-চে লৈহনবা তঙাইফদে হায়রি।

# মুম্বাই সেরিয়েল ব্লাষ্টতা চেন্নবা অবু সলেম, মুষ্টাফা টৌসা দন্দি পীখ্রে



*মুম্বাই, জুন ১৬ঃ*

টেরোরিষ্ট অবু সলেম অমসুং মুষ্টাফা দোসা মুম্বাই সেরিয়েল ব্লাষ্টতা মরাল লৈবা থেংনখ্রে। ইং ১৯৯৩দা মুম্বাইদা বোম মথং মথং পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ২৫৭ শীহনখিবা অমসুং মীওই ৭১৩না অরুবা ফিভমদা শোকহনখিবা থৌদোকশিংগা মরী লৈননা মীওইশিং অদু লৌতুনবগী মরাল লৈরে হায়না স্পিয়েল কোর্টনা ঙসি কনফার্ম তৌখ্রে।

মুম্বাই সেরিয়েল ব্লাষ্টকী মতাংদা চত্থরকখিবা ৱায়েলগী শরুক অমা ওইনা ঙসি পাঙথোকখিবা স্পিসিয়েল কোর্ট অদুগী ৱায়েলদা মীওইশিং অদু মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখি। টেরোরিষ্ট এন্দ দিসরপটিস এক্টিভিটিস (প্রিভেন্সন) এক্ট নত্রগা টাদা কোর্টনা ঙসি মীওইশিং অদুদা দন্দি পীখি।

অবু সালেমদা নত্তনা দোসা কৌবা মীওই অমসু দন্দি পীখি। মখোয় মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা আইন কাইবা থবক চত্থরম্বগী রেকোর্দ থেংনখি।

কোর্ট অদুনা মুম্মহদ টাহির মার্চেন্ট এলাইজ টহির টক্লা, কারিমুলা খান, রিয়াজ সিদিকি অমসুং ফেরোজ অব্দুল রদিস খানবুসু মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখি। অদুম ওইনমক অব্দুল কায়িম কৌবা মীওই অমগী চত্থখিবা কেস অদুদা মরাল লৈরম্বা থেংনখিদে।

কেস অদুগা মরী লৈননা য়েংশিনবদা ইন্দিয়ানা পাম্না থিরিবা টেরোরিষ্ট দাউদ ইব্রাহিম চেন্নবা থেংনৈ। অদুম ওইনমক মীওই অদুদি হৌজিক ফাওবা ফাবা ঙমদনা লৈরি।

ইং ১৯৯৩গী মার্চ থাদা মুম্বাইদা বোম মথং মথং ১৩রক হন্না পোকখায়হন্দুনা মীওই ২৫৭ শীহনখিবা অমসুং মীওই ৭১৩না শোকহনখিবা লৈখি। টেরোরিষ্টশিংনা এয়ার ইন্দিয়াগী বিল্ডিং, মুম্বাই ষ্টোক এক্সচেঞ্জ, জবেরি বজার, ৫ ষ্টার হোটেল, হোটেল সি রোক অমসুং হোটেল জুহু সেন্টুরদা টার্গেট তৌদুনা বোম পোকখায়হনখি। লোয়নন মীয়ামগী লন-থুম লুপা ক্রোর ২৭ লোম মাংহন তাকহনখি।

অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতুংদা বোমগী লমদা খ্বাইদগী তমথিবা মচাক আর দি এক্স শীজিন্নদুনা টেরোরিষ্টশিংনা লান দাবা মুম্বাই টেরর এটেক্ট অদুনা অহানবা ওইখি। ইং ২০০৭তা থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱায়েল চত্থবা হৌখি। এন্টি টেরোরিজম কোর্ট অদুনা মীওই ১০০ রোম দন্দি পীখি। মদুগী মনুংদা মীওই ২৫দি শীরিবা মরালগা চান্নদবদগী থাদোকখি।

কেস অদুগা মরী লৈনা য়াকুপ মেমন কৌবা টেরোরিষ্ট ১ থৌরি য়ান্দুনা হাৎখ্রে। অবু সালেম পোকখায়বা মচাকশিং গুজরাটতগী মুম্বাইদা থাংদোক-থাংজিন তৌবদা চেন্নে হায়না মরাল শীরি। মহাক প্রোর্টুগালদগী ইং ২০০২দা ফাখি। মহাক্না ফিল্ম এক্টর সঞ্জয় দত্তদা খুৎলায় পীখিবগী মরালসু শীরি।

মীওই অদুদগী সঞ্জয় দত্তনা ইং ১৯৯৩গী জনুৱারি ১৬তা এ কে ৫৬ রাইফলস ১, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ২৫০ অমসুং গ্রেনেদ খরা ফংখি হায়রি। ইন্দিয়া অমসুং পোর্টুগালগা য়ান্নখিবা ৱাফমগী মতুং ইন্না সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিকেসন (সি বি আই)না মখা তানা থিগৎনবগীদমক সালেমবু পুরকখি। কোর্ট অদুনা ঙসি প্রোসিক্যুসন ৱিথনেস ৭৫০ অমসুং ৱিথনেস ৫০গী ৱা তাখি। মুম্বাইদা বোম মথং মথং পোকখায়হনখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা অবু সালেমনা মরাল য়াজখ্রে হায়রি।

# প্রসিদেন্ট মীখলদা এ আই এ দি এম কেনা বি জে পিগা চৎমিন্নগদৌরি

*ন্যু দিল্লি, জুন ১৬ঃ*

প্রসিদেন্ট মীখল পাঙথোক্কদবা চয়োল খরদমক ঙাইরকপগা লোয়নন টামিলনাদুদা লৈঙাক পায়রিবা এ আই এ দি এম কেনা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিনা পুথোকপা প্রসিদেন্ট মীরেপতা পার্টি অদুনা শৌগৎকনি। মদু ষ্টেট অদুগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং মীয়াম্না অম্মা হায়না খঙনখ্রবী জয়াললিথাগী খুদুং ইনবনি হায়রি।

এ আই এ দি এম কেগী লুচিংবা অমসুং দিপ্যুতি স্পিকর এম থম্বীদুরাইনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিনা পুথোকপা মীরেপতা পার্টি অদুনা শৌগৎকনি হায়না খঙহনখ্রে। এ আই এ দি এম কেগী ফাউন্দর এম জি রামাচন্দ্রননা ফোঙদোকখিবদা এম জি আর অমসুং অম্মানা সেন্টরগা অফবা মরী লৈন্নরম্মী। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অম্মাগী অফবা মরুপনি। অম্মানা মতম চুপ্পদা কংগ্রেসকী মায়োক্তা ভোট পীখি। মহাক্না চৎলম্বা মচৎ অদুগী খুদুং ইন্দুনা বি জে পিনা পুথোকপা প্রসিদেন্ট মীরেপতা শৌগৎকনি হায়খি।

ষ্টেট লৈঙাক খুদিংমক সেন্টরগী শেল-থুমগী মখা পোন্না লৈরি। জি এস টিগী মতুংদা সেন্টরনা ষ্টেটশিংদা মতেং পীরি হায়নসু থম্বীদুরাইনা ফোঙদোরক্লি। টামিলনাদু লৈঙাক্না মোদি লৈঙাক্না পায়খৎপা থৌশিলশিংদা মখা তানা শৌগৎকনি হায়খি।

চৈরকসিদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাজনাথ অমসুং নাইদুনা কংগ্রেসকী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধি অমসুং সি পি এমগী লুচিংবা সিটারাম য়েচুরিগা উন্নদুনা লাক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট মীখলগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে হায়রি।

# রুসিয়াগী এয়ারষ্ট্রাইকতা আই এসকী লুচিংবা বাগদাদি শীরম্লগনি

*মোস্কো, জুন ১৬ঃ*

রুসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অদুনা সিরিয়াদা চত্থখিবা এয়ারষ্ট্রাইকতা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) লুচিংবা হাৎপা ঙমখ্রবরা হায়বদু থিগৎপগী থবক চত্থরি। মিনিষ্ট্রিনা হায়, চৎলিবা চহী অসিগী মে ২৮দা চত্থখিবা এয়ারষ্ট্রাইকতা আই এসকী লুচিংবা আবু বকর অল বাগদাদি অমসুং ফাইটর ৩৩০ হাৎখ্রে হায়বগী থাজবা লৈ।

সিরিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা রাকাদা তোখাই তাখ্রবা কাংবুশিংদা টার্গেট তৌদুনা ষ্ট্রাইক চত্থখি। বাগদাদি শীখ্রে হায়বগী রিপোর্ট কয়া মমাঙদা ফংখিবা লৈরে। রুসিয়ানা আই এসকী লুচিংবা অদু হাৎলম্বা য়াই হায়না ফোঙদোরকপা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।



তোঙান-তোঙানবা মেদিয়াশিংনা লুচিংবা অদু হাৎখ্রে নত্রগা য়ু এসনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাংবুগী এয়ারষ্ট্রাইকতা কাহেন্না অশোক অপ নংখি হায়না ফোঙদোক্লরকখি। রুসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না রাক্কা মীফম অমা পাঙথোক্লি ঙৈ চৈরক্তা ষ্ট্রাইক চত্থদুনা আই এস মিলিসিয়াশিংগী লুচিংবা ৩০ য়াওনা মীওই কয়া শীহনখি হায়বগী রিপোর্ট লৈ।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা আই এসকী লুচিংবা আবু বকর অল বাগদাদি শীখ্রে হায়না তোঙান-তোঙানবা টেলিভিজন চেনেলশিংনা ফোঙলকখিবা পাউশিং অদু কদাই ফাওবা চুম্লবগে হায়বদু য়েংশিনবগী থবক চত্থরি হায়রি।

রুসিয়াগী এয়ারষ্ট্রাইকতা হায়রিবা মফম অদু মাং তাকহনখিবগী সেটিলাইটনা লৌবা ইমেজশিং নৈনখি। ইরাক্কী মোসুলদা য়ু এসনা লুচিংবা কাংবুনা অকনবা এয়ারষ্ট্রাইক চত্থদুনা ইং ২০১৬কী ওক্টোবর থাদা সহর অদু লৌশিন্নবা হোৎনখিবা লৈখি।

রোইটর ন্যুজনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা মরুভুমীগী পাক চাওরবা মাইল লিশিং কয়ানা কোনবা মফমশিংদা আই এসকী লুচিংবশিং লোৎতুনা লৈরি। মখোয় মোসুল নত্রগা রাক্কাদা লৈরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে হায়রি।

# জে এন কেগী অনন্তনাগতা টেরোরিষ্টশিংনা পুলিস ৬ হাৎখ্রে

*শ্রীনগর, জুন ১৬ঃ*

জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী খা থংবা অনন্তনাগতা টেরোরিষ্টশিংনা পুলিস কন্টিনজেন্ট অমদা এটেক্ট চত্থরকপদা য়ামদ্রবদা পুলিস পার্সোনেল ৬ শীখ্রে। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা ষ্টেসন হাউস ওফিসার অমা য়াওরি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না ওফিসার অদুনা লুচিংবা পুলিসকী টিম অমদা অচুবাল লমদমদা টেরোরিষ্টশিংনা অফবা মখলগী খুৎলায় শীজিন্নদুনা এটেক্ট চত্থরকখি। পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা পাকিস্তান মচা অনী য়াওনা পুলিসকী গারী অমদা তোংলকখিবা মীওইশিংদা অতম্মনা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি।

লৈখিদ্রবা হকচাংশিং অদু মশক খঙবা ঙম্বগী ওইথোকপা লৈত্রি। খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা ষ্টেসন হাউস ওফিসার অদুদি পুলৱামাদা লৈবা সব ইন্সপেক্টর ফেরোজ অহম্মদ দারনি হায়রি।

পুলিসনসু খুৎ হন্দুনা মফম অদুদা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি। মনাক নকপা বিল্ডিংদা চেনশিনখিবা টেরোরিষ্ট অমসু হাৎখি। খা থংবা কাশ্মীরদা টেরোরিষ্টশিংনা অকনবা এটেক্ট কয়া চত্থরকখিবা লৈখ্রে। খুৎ থোক্লবা মফম অদুদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লুনা খোঙজং চংশিল্লকখিবা মীওইশিংগী মরক্তা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীচম অনী শীখ্রে। মীচমশিং অদু মিলিটেন্টশিং অদু মফম অদুদগী চেনখিনবা হোৎনবা ওইনা খোঙজং চংশিল্লকখিবনি হায়বগী চীংনবা লৈ হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-891**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 1 | | 6 | | | | 8 | |
| 5 | 4 | | | | | | 1 | |
| | 3 | | 2 | | | 9 | 4 | |
| 1 | | 2 | | 5 | | 4 | | |
| | | 8 | | 9 | | 6 | | |
| | | | | 4 | | | | 1 |
| | | | 4 | | | | 3 | 5 |
| | | | | | | | | 4 |
| 7 | | | 9 | | | | | |

# শ্রীলঙ্কানা ঙামীশিংগী হি ৪২ থাদোকপা য়াখ্রে

*কলম্বো, জুন ১৬ঃ*

শ্রীলঙ্কানা ইন্দিয়াগী ঙামীশিংনা শীজিন্নবা হি ৪২ থাদোক্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি। হিশিং অদু ইং ২০১৫দগী ফাজিন্দুনা লৈরকখিবনি।

হিশিং অদু অমুক হন্না লৈবাক অদুগী ঈশিংগী শরুক্তা চংশিল্লকপা য়ারোই হায়বা কন্দিসন অমগী মখাদা থাদোক্কদবনি হায়না ফিসরিজ মিনিষ্টর মহিন্দা অমরা ৱিরানা ফোঙদোরক্লি। হিরম অদুগী মতাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্তসু খঙহনখ্রে হায়রি।

অমরা ৱিরানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হিশিং অদু অমুক হন্না ইন্টর্নেসনেল মেরিটাইম বাউন্দরিদা অমুক হল্লকপা য়ারোই। শ্রীলঙ্কানা মমাঙদা হি অমসুং ঙামীশিংগী খুৎশু খুলায়শিংদা মখোয়দা থেংনরমগদবা খুদোং চাদবশিং অদু য়েংলগা থাদোক্লবা ৱারেপ লৌখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী ঙামীশিংনা শ্রীলঙ্কাগী ঈশিংগী শরুকশিংদা চংশিন্দুনা চহী ৩৫গী মমাঙদগী ঙা ফাবগী থবক চত্থরকখিবনি। মতম মতমগী লৈঙাকশিং য়ান্নবগী মখাদা ঙামীশিং থাদোক্লখিবনি হায়রি।

GAS TODAY

**YAIRIPOK GAS**
Booking upto .......30/03/2017
Sl. No. ........................ 18073
Valid from ........... 20/03/2017
Stk..................................306
Timing........7.00 to 10.00 a.m

**CANCHI INDANE**
Booking upto .......06/04/2017
Valid from ........... 31/03/2017
Stk 14kg..........................552
19 kg .............................. 40
Rate ........................ Rs. 699
Timing........8.00 to 10.00 a.m

**MANIPUR GAS**
Booking upto .......22/03/2017
Valid from ........... 21/03/2017
Stk..................................306
Timing........7.30 to 09.30 a.m

**SAWOMBUNG INDANE**
Booking upto .......22/03/2017
Valid from ........... 07/03/2017
Stk..................................306
Timing........7.30 to 10.00 a.m

**TANGLEI GAS**
Booking upto .......24/04/2017
Valid from ........... 16/04/2017
Stk..................................306
Timing........6.30 to 11.00 a.m

**IMPHAL LPG**
Booking upto .......20/04/2017
Sl. No. Upto ................ 8590
Valid from ........... 06/04/2017
Stk..................................306
First Come First Serve

**ATHOKPAM INDANE**
**Wangjing & Khongjom**
Booking upto .......25/03/2017
Valid from ........... 11/03/2017
Stk..................................306
Timing........7.30 to 10.00 a.m

**HEIRAK INDANE**
Booking upto .......25/04/2017
Valid from ........... 01/03/2017
Stk..................................306
Timing........7.30 to 11.30 a.m

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
Booking upto .......28/03/2017
Sl. No. ........................ 6670
Valid from ........... 24/03/2017
Stk..................................306
Timing........7.00 to 11.00 a.m

**সনা-সুদোকু- ৮৯০ গী সোল্যুস**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 9 | 3 | 6 | 7 | 2 | 8 | 5 | 1 |
| 7 | 1 | 2 | 3 | 8 | 5 | 6 | 4 | 9 |
| 5 | 8 | 6 | 1 | 9 | 4 | 7 | 3 | 2 |
| 8 | 6 | 1 | 2 | 5 | 7 | 3 | 9 | 4 |
| 9 | 5 | 7 | 8 | 4 | 3 | 2 | 1 | 6 |
| 3 | 2 | 4 | 9 | 1 | 6 | 5 | 8 | 7 |
| 2 | 7 | 9 | 4 | 3 | 8 | 1 | 6 | 5 |
| 1 | 3 | 5 | 7 | 6 | 9 | 4 | 2 | 8 |
| 6 | 4 | 8 | 5 | 2 | 1 | 9 | 7 | 3 |


NATION TAX MARKET

জি এস টি চৎননবা শেম শারো

COMMITTED TO TAXPAYER SERVICES

জি এস টি ২০১৭ জুলাই ১দগী চৎনরগনি

জি এস টিনা অপিকপা লল্লোনবশিং / পোৎ শাবশিং / রেষ্টুরেন্টশিং খুদোংচাহনগনি




পোৎ শারিবশিং / থবক পীরিবশিং / লল্লোল ইতিক তৌবা লুপা লাক্ষ ২০* গী মখাদা চহীগী ওইনা টর্ন ওভর লৈবশিংদি জি এস টি পীবগী মথৌ তাদে অমসুং রেজিষ্টার তৌবা মথৌ তাদে।

লুপা লাক্ষ ৭৫ য়ৌনা টর্ন ওভর লৈবশিংগীনা মখাদা পীরিবা টেক্স রেট স্কিমশিংগী মনুংদা খনবা য়াগনি ঃ-

জি এস টিদা লৈগদবা কম্পোজিসন রেট

লল্লোনবশিং - চাদ ১ | পোৎ শাবশিং - চাদ ২ | রেষ্টুরেন্ট - চাদ ৫

- সার্ভিস সেক্টরদা, সেক্টর অমখক্কী ওইনা কম্পোজিট স্কিম লৈগনি - রেষ্টুরেন্ট।
- আইস-ক্রিম শাবা ইন্দষ্ট্রি খরগী ওইনা, কম্পোজিট স্কিমগী খুদোংচাবা লৈরোই। মখা তাবশিং অথুবদা লাউথোরক্কনি।
- কম্পোজিট স্কিমদা খনবা দিল্লরশিংনা থা অহুমগী ওইনা রিটর্ন তৌননবগীদমক টর্ন ওভর তৌবশিংময়েক শেংনা ফোঙদোক্কদবনি। মথৌ তাদবশিংদি ফোঙদোকপগী কান্নবা লৈতে, সপ্লাই তৌখিবগী বিলশিং উৎকদবনি।
- অপিকপা টেক্স পীবশিং রিটর্নগীদমক ঐচ এস এন কোদ মথৌ তাদে।
- অদুম ওইনমক, মহাক্না খনখিবা, টেক্স ক্রেদিট লৌদনা পাস তৌগনি।
- ওন লাইন রেজিষ্ট্রেসনগা লোয়নন, রিটর্ন, পেমেন্ট, রিফন্দ অমসুং অতোপ্পা থৌশিলশিং, থেংথবা অমসুং দিসক্রেসন হন্থবা য়াই।
- পোৎলুমশিং হন্থগনি।
- জি এস টিগী মতম অসিদা অখন্নবা খুদোংচাদবা থবক তৌবশিং শীন্নীশিংদা মতেং ওইগনি।

* লুপা লাক্ষ ১০ ফাওবগী চাংদা ষ্টেট ১১দা চৎনগনি, ষ্টেটশিং অদুদি অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, মণিপুর, মেঘলায়া, মিজোরাম, নাগালেন্দ, ত্রিপুরা, সিক্কিম উন্টরখন্দ হিমাচল প্রদেশ অমসুং জম্মু অমসুং কাশ্মীরনি।

অপুনবা স্কিম অসিগী অকুপ্পা ৱারোলগীদমক www.cbec.gov.in দা য়েংবীয়ু

davp 15502/13/0039/1718

য়েংবীয়ু @askGST_GoI জি এস টিগা মরী লৈনবশিং থিগৎনবা

দাইরেক্টোরেট জেনরেল ওফ টেক্স পেয়র সার্ভিস
সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ এক্সাইজ এন্দ কষ্টমস
www.cbec.gov.in